# রঞ্জিতা এসিয়ন কপ ২০২২গী ওফিসল ওইনা খনখ্রে



ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী): মথং চহীগী জন্যুৱারী থাদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়াগী নুপীগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ২০২২দা মেটচ ওফিসল ওইনা মণিপুরদগী হৌখিবী তেকচম রঞ্জিতা খল্লক্লে।

তেকচম রঞ্জিতাবু এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২গী রেফরি ওইনা খল্লকপনি। মরক অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ওফিসল উভেনা ফর্নান্দেজবুনা এসিস্টেন্ট রেফরিগী থৌদাং লৌগদৌরি।

মথং চহীগী জন্যুৱারী ২০দগী ফেব্রুৱারী ৬ ফাওবা চথগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অদুগী ওইনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপী ফুটবোল ওফিসলশিং খল্লকপগী মনুংদা তেকচম রঞ্জিতাবুনা রেফরি ওইনা খল্লক্লবা মতুং অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ওফিসল উভেনা ফর্নান্দেজবুনা এসিস্টেন্ট রেফরি ওইনা থৌ পুননবা এ এফ সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

রেফরি ওইনা খনখ্রবা রঞ্জিতানা ফোঙদোরকপদা মহাক্না ওফিসিএট তৌগদৌরিবা মেটচ মশীংশিং অদু য়াম্না অমদি ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইবা মরম্না মহাক্কী মায়কৈদগী হান্না লৈরম্বা পর্ফোর্মেন্সতগী হেন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

রঞ্জিতানা মখা তারদুনা ফুটবোল মশান্না অসিদা ফিফানা নৌনা পীখিবা ভি এ আর (ভিদিও এসিস্টেন্ট রেফরি) টেক্নোলোজি অসিনসু কন্দক্ট তৌরিবা মীওইশিংদা অচৌবা মতেং অমা ওইগদৌরি।

# নাওরেম প্রিয়াঙ্কাগী পাঞ্জল ২না ইন্দিয়া মায় পাকহনখ্রে

ধাকা, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী): ঙসি মণিপুরদগী হৌখিবী নাওরেম প্রিয়াঙ্কানা চনখিবা পাঞ্জল ২না মপূং ওইরগা বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা লৈবা বি এস এস এস মোষ্টাফা কমাল ষ্টেদিয়মদা চথরিবা নুপীগী চহী ১৯ মখাগী সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়নশিপকী অনীশুবা মেটচতা ভুটানবু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্প গী ৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ঙন্না চথখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় সুমতি কুমারীনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ভুটানবু মাঙজিল থাবা ঙমখি। পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ানা ঙরাং শান্নখিবা অহৌবা নুমীৎতা শ্রি লঙ্কাবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইদুনা মখোয়গী কেম্পেন অদু নীংথিনা হৌদোকপা ঙমখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা সুমতি কুমারীগী পাঞ্জল অদুগী মতুং মখা তারকপা পুংখায় অমা হেল্লবা ফাওবদা ভুটানগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। লোয়ননা ইন্দিয়াসু মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদে। শান্নবগী অহানবা হাফ লোইরমদাইদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফংখিবা ফ্রী কিক অমা টিম অদুগী শান্নরোয় মণিপুর মচা নাওরেম প্রিয়াঙ্কানা শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা ফ্রী কিক অদুবু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা হেল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা ভুটানগী মায়কৈদগী মখোয়গী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্নুনা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু মখোয়গী হোৎনখিবা অদু অরেম্বা তাদুনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী টিম অদুবু শরুক য়ারিবী অতোপ্পা মণিপুর মচা ক্রিটিনানা পীবা বোল অমদা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবী নাওরেম প্রিয়াঙ্কানা ৫৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা অদুগা মশাগী ওইনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ভুটানবু ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তারকপা শান্নবগী লেমহৌরিবা মতম অদুদা স্কোরবোর্দতা লৈখিবা পাঞ্জল অদুগী অহোংবা লৈখিদবনা ইন্দিয়ানা ভুটানবু ৩-০দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা নেপালনা শ্রি লঙ্কাবু পাঞ্জল ৬-০দা থোইবা ঙমখি। নেপালগী মায়কৈদগী রাশিনীনা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। থংনবা মিনটতা টিমমেট সবিতানা পাঞ্জল ১গসু হাপচিনবা ঙমখি। ৪৩শুবা মিনটতা নেপালগী মেনুকানা ৩শুবা পাঞ্জল হাপচিল্লগা ৪শুবা পাঞ্জল অদুনা রাজানা অমসুং সালোনিনা ৪৮ অমসুং ৫৩শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা ৬শুবা পাঞ্জল অদুনা রাশিনীনা ৮৫শুবা মিনটতা চনখি।

# মণিপুরনা রাজস্থানবু পাঞ্জল ৭-৩দা থোইখ্রে

পুনে, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী): মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা চথরিবা ১১শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সিনিয়র মেন নেসনল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি ৫নিশুবা নুমীৎকী ওইবা পুল ঈগী মেটচ অমদা মণিপুরনা রাজস্থানবু পাঞ্জল ৭-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী অহৌবা মিনটতা রাজস্থানগী হাসনপ্রিট সিংহনা চনখি। অদুবু ইক্বেলাইজর অদু অথুবা মতমদা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা মোইরাংথেম ধনঞ্জয় মীতৈনা চনবা ঙমদুনা ১-১দা লৈনখি। অহানবা ক্বার্টর অদুগী ১০শুবা মিনটতা মণিপুরগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক অমদা সুরেনশংবম সুরেশনা পাঞ্জল চন্দুনা ২-১দা মাঙজিল থাখি। ক্বার্টর অদুগী অরোইবা মিনটতা মণিপুরগী কেপ্টেন নিংঙোম্বম অবুংনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা ৩-১দা মণিপুরনা অহানবা ক্বার্টর অদু রাজস্থানদগী হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরকপদগী অহানবা ক্বার্টরদা লৈখিবা পাঞ্জলশিং অদুদগী হেনগৎপা ঙম্মখিদে। অহানবা হাফ লোইখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা শান্নবগী ৩শুবা ক্বার্টরগী ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৩৪শুবা মিনটতা মণিপুরগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ধনঞ্জয়না মহাক্কী অনীশুবা অদুগা মণিপুরগী ওইনা ৪শুবা পাঞ্জল চন্দুনা ৪-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। ধনঞ্জয়গী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৬ লৈরগা সুরেনশংবম সুরেশনা ৪০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা হাপচিন্দুনা ৫-১দা লৈখি। রাজস্থানগী মায়কৈদগী বিজেন্দ্র সিংহনা ৪৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনখি। মেটচ অদুগী অরোইবা ক্বার্টরদা বিজেন্দ্রনা অমুক্কা হন্না ৪৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ৩-৫দা স্কোর অদু লৈবা ঙমখি। অদুবু মেটচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা মণিপুরগী নিংঙোম্বম ভাকর অমদি কোঙ্গেংবম দেবেশ্বরনা পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা মেটচ অদু ৭-৩দা লোইশিনখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংগী ওইনা পুল সীদা কর্নাটাকানা অরুনাচল প্রদেশপু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১৪-০দা থোইখি। পুল অদুমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদা পুদুচেরিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু পাঞ্জল ৫-১দা থোইবা ঙমখি। পুল দিদা অন্দ্র প্রদেশনা উত্তরখন্দবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা পুল ঈগী ওইনা চান্দিগরনা ত্রিপুরাবু পাঞ্জল ২৩-০দা মায়থীবা পীদুনা পুল অদুগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি। অদুগা অরোইবা মেটচতা হরয়ানানা দেল্লীবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি।

# রিয়াল কাশ্মীর এফ সীনা আই এফ এ শিল্ড টাইটল লৌখ্রে



কোলকাটা, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুং কোলকাটাদা পাঙথোকপা আই এফ এ শিল্ড ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা শ্রিনিদি দেকান এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা রিয়াল কাশ্মীর এফ সীনা মখোয়না ফংখিবা হৌখিবা এদিসনগী টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী হৌরকপদা হিরো আই লীগতা অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইরক্লিবা বিশাখাপটনমদগী শ্রিনিদি দেকান এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা রিয়াল কাশ্মীর এফ সীগী মায়োক্তা বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা খুদুম চন্না শান্নবা হৌরকখি। টিম অদুদা শরুক য়ারিবা কলম্বীয়া মচা দেভিদ কাষ্টানিদামুদোজনা শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা হান্নগী চেম্পিয়ন রিয়াল কাশ্মীর এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদুগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা রিয়াল কাশ্মীর এফ সীনা শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম অদুদসু রিয়াল কাশ্মীরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈদুনা শ্রিনিদি দেকান এফ সীনা মখোয়গী অহানবা আই এফ এ শিল্ড টাইটল ফংনবগী লম্বেল অদু শেম্বা লোইরে হায়না থাজনখি।

অদুবু রিয়াল কাশ্মীর এফ সীগী মায়কৈদগী স্পেন মচা ফ্রান গোঞ্জালেস অমসুং স্কোটলেন্দ মচা মেসন লি রোবর্টসননা শান্নবগী লোইশিল্লমদাইদা ফজবা মওংদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবদগী শ্রিনিদি দেকান এফ সীবু মখোয়না ২-১দা মাঙজিল থাদুনা মেটচ অদু থোইদুনা ফাইনেল লৌখি। মমাংগী এদিসনদসু রিয়াল কাশ্মীরনা কোলকাটাগী জোর্জ টেলিগ্রাফপু ২-১দা থোইরগা টাইটল লৌখিবনি।

# য়ু কে বি মায় পাকখ্রে, এস য়ু অমসুং ৱাই য়ু এফ সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): য়ু কে বি চুড়াচান্দপুরনা নিশা থাংমৈবন্দবু মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা ৱাই য়ু এফ সী উখুল অমসুং এস য়ু সগোলবন্দ দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাওন্দদা চথরিবা খুমুকচম জয়কিশনননা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট-২০২১গী ৩২শুবা মেটচতা য়ু কে বি চুড়াচান্দপুর অমসুং নিশা থাংমৈবন্দ লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা য়ু কে বিগী জর্সি নম্বর ১৩ পাওলেনলাল খোংশাইনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। নিশাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ য়ু কে বিগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৭ মংলেনবোই নৈসালনা ৫২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ২-০দা হেনখি।

মেটচ অদুগী মখা চথরকপা ৭৪শুবা মিনটতা নিশাগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২০ এল শঙ্করনা পাঞ্জল ১ হন্দোক্লগা মখা তানা ইক্বেলাইজর ফংননবা কন্না হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফংখিদবদগী টিম অদু য়ু কে বিগী মখুৎতা ১-২দা মায়থীখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই য়ু এফ সী উখুল অমসুং এস য়ু সগোলবন্দ পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ৱাই য়ু এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২৩ য়ার্মিপৈ সাংগিনা ৩৩শুবা মিনটতা চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফকী লোইরমদাই ৮৫শুবা মিনটতা এস য়ুগী জর্সি নম্বর ২১ এন বিনাননা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

## অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা লাইশ্রম হেরোজিৎ অমসুং তোম্পোক মেমোরিয়ল ট্রষ্টনা শীন্দুনা ক্বাকৈথেল ঙানপ্পী থোংদা লৈবা সোসল ৱেলফ্যের ক্লব কম্যুনিটি হোলদা ঙসিদগী অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে।

রেটেদ শান্নরোয় ২৬ অমসুং অন-রেটেদ শান্নরোয় ২৪ য়াওনা পূন্না শান্নরোয় ৫০না টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা হৈরোক এ সীগী এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট, কৈশামথোং এ সীগী বি জে পি ইন্টেনিদং কেন্দিদেট অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজিং চ্যেরমেন নিশিকান্ত সাপমনা প্রসিদেন্ট ওইখি। লোয়ননা য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী চেছ অমসুং বেদমিন্টনগী শান্নরোয় খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিস্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সী ঐচ প্রদিপনা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না ছটিশগর অমসুং গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন য়ুনিভর্সিটি চেছ চেম্পিয়নশিপ অমসুং বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে হায়রি।

দিসেম্বর ২০দগী ২৩ ফাওবা ছটিশগরগী সিটি রাইগরদা লৈবা ও পি জিন্দাল য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি চেছ (মেন এন্দ ৱিমেন) চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২২দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপীগী শান্নরোয়শিং অদুদি ৱেকুহিলু ৱেজা, টি নাওবী চনু, মোনিকা অবুজম, কে ঐচ বিদ্যারানী, টিনকি হাওকিপ, আসুম ইনা অমদি রিজর্ভতা রুট জাতক চিরুনি।

নুপাগীদা নাওরেমচা য়োহেনবা, হৈখাম মুবা, ৱাই গোবিন, য়াম্বেম লেনিন, আতপ লৈশাংথেম অমসুং ওইনাম অজিৎনি। লোয়ননা রিজর্ভতা এল কেনেদি অমসুং সী ঐচ অকাশনি।

হায়রিবা শান্নরোয়শিং অসিনা দিসেম্বর ১৭তা ডা. কমল ইন্দোর হোলদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

থা অসিগী ১৭তগী ১৯ ফাওবা গুৱাহাটিদা লৈবা রোয়ল গ্লোবেল য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বেদমিন্টন (ৱিমেন) চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী শান্নরোয়শিং অদুদি এল শিতল, প্রিতি নাওরেম, ঐচ পুজা অমসুং ময়া ভট্টারাইনি। অদুগা রিজর্ভতা বন্তি চোংথাম অমসুং ঐচ জয়ালক্সমীনি। টিম অসি গুৱাহাটিগীদমক হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না ঙসিগী চেরোল অসিনা খঙহল্লক্লি।

# মুম্বাই সিটি এফ সীনা চেন্নাইন এফ সীবু থোইখ্রে

ফটোর্দা, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী): গোৱাগী ফটোর্দাদা লৈবা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৩০শুবা মিনটতা মমাংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা মুম্বাই সিটি এফ সীনা চেন্নাইন এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখ্রে।




চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা মুম্বাই সিটি এফ সীনা মমাংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ফজবা ঙমদুনা পোইন্ট টেবলগী মাংজিল থাদুনা লৈরকপনি। মুম্বাই সিটি এফ সীনা পোইন্ট ১২ ফংলগা মকোক্তা লৈখি। অদুগা চেন্নাইন এফ সীনা পোইন্ট ৮ ফংলগা ৩শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না লেং মান্নবা শান্নরক্তুনা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল হাপচিন্নবা অরৈবা পাঙ্গলশিং পুথোক্লখি। অদুবু অপীবা মিনট ৪৫ লোইশিল্লকপা ফাওবদা স্কোরবোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা লৈবা ঙমখিদবনি।

শান্নবগী অহানবা হাফ লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম অদুদসু টিম অনীগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল ওইবা য়াবা এটেক শাগৎপা ঙল্লবসু স্কোর তৌবা ঙমদনা শান্নবগী মিনট ৮০ হৌজিল্লকখি। পনবা য়াই, মুম্বাই সিটি এফ সীদা মণিপুরদগী হৌখিবা মহমদ নৱাজনা গোলকিপর ওইরিবনি। অদুগা বিপিননা মিদফিল্ডর ওইনা শরুক য়াখি। অমরোমদা, চেন্নাইন এফ সীদা মণিপুরদগী হৌখিবা রেগানসু শরুক য়াবা ঙমখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৪দা ঙাইরবা মতমদা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী ফংখিবা ফ্রী কিক অমা রাহুল ভেকেনা কলেক্ট তৌরগা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদু মখোয়না ১-০দা থোইখি।

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## THE DIRECTORATE OF TRANSPORT

/ NOTIFICATION
Imphal, 15th December, 2021

No. DT/78/Direct-Recruitment/2020: It is hereby notified to all concerned that the Written Test for direct recruitment to the various posts in Transport Department, Government of Manipur is scheduled as given below:

| Sl. No. | Name of the Post | Date & Time | Exam Centre | Roll No. | Total No. of Candidates |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | LDC (Office Assistant cum Computer Operator) | 19-12-2021 10:00 AM to 12:00 Noon | DM College of Science | 0001-0735 | 500 |
| | | | DM College of Arts | 0735-1569 | 500 |
| | | | DM College of Commerce | 1570-2213 | 307 |
| 2. | Sub-Inspector (Enforcement) | 19-12-2021 1:00 PM to 3:00 PM | DM College of Commerce | 001-782 | 486 |
| 3. | Assistant Sub-Inspector (Enforcement) | 22-12-2021 10:00 AM to 12:00 Noon | DM College of Commerce | 062-559 | 29 |
| | | | | 3129-3410 | 280 |
| | Assistant Sub-Inspector (Tax) | | | 2943-3384 ASI (Tax) | 99 |
| | | | DM College of Science | 0001-0992 | 600 |
| | | | DM College of Arts | 0993-2207 | 700 |
| | | | G.P. Women College | 2208-2940 | 450 |
| 4. | Checker | 22-12-2021 10:00 AM to 12:00 Noon | DM College of Science | 0001-0866 | 500 |
| | | | DM College of Arts | 0867-1722 | 539 |
| | Driver | | DM College of Commerce | 001-287 | 107 |
| | Peon | | | 001-316 | 164 |
| | Chowkidar | | | 01-44 | 22 |

*Note:*
1. *Candidates without Admit Cards will not be allowed to enter the examination hall and report to the Examination Centre at least 45 minutes earlier and 20 minutes in the examination hall before the start of the examination.*
2. *The Examination Centre gates will be closed at 9:30 AM for morning shift and 12:30 PM for afternoon shift.*
3. *Candidates are required to bring their own ball point pen (black/blue).*
4. *No Candidate without face mask will be allowed inside the examination centre. Candidates are required to bring their own face shield/face mask/hand sanitizer/hand gloves etc. for their own safety purpose.*

Sd/-
Dr. Nivedita Lairenlakpam
Director of Transport
Manipur

HL-B/7359/16

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): কোচেস এসোসিএসন য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মীতৈবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কোচেস এসোসিএসন য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসনা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয়শিংদা পীরিবা মতেং অসি নৌহৌননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০০০দগী হৌদুনা দিপার্টমেন্ট অসিনা আর সী সী (রেগ্যুলর কোচিং সেন্টর) মিংথোন্দুনা স্কিম অমা চথরকখিবা অদুদা তোঙান-তোঙানবা মশান্না ২৫দা কোচিং পীদুনা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া ইন্টরনেসনলগী থাক্তা য়ৌহনবা ঙমখ্রবনি। লোয়ননা হন্দক্তা চীফ মিনিষ্টরনা রিফ্রেশমেন্ট পীবগী ৱাফম য়াস দিপার্টমেন্টনা মপূংফানা থবক্তা ওন্থোকপীবগীদমক কোচেস এসোসিএসননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# শান্নরোয়শিং ওকখ্রে

ককচীং, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১১ অমসুং ১২দা পাঙথোকখিবা ৫৯শুবা মিষ্টর মণিপুর কন্টেষ্টতা মিষ্টর মণিপুর অমদি জুনিয়র মিষ্টর মণিপুর টাইটল ফংলকখ্রবা শান্নরোয় ২ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা কেটগোরি ২দা মনা লৌরক্লবা ককচীংগী শান্নরোয়শিংবু ওকপগী থৌরম অমা ককচীং এ সীগী আই এন সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা ৱাই নিলাচন্দ্রগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

ককচীং পাজি লৈকাই লাইশাংবম পরেংদা লৈবা ৱাই নিলাচন্দ্রগী শঙলেন্দা য়ুঠ কম্মিটি ফোর ৱাই নিলাচন্দ্রনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাই নিলাচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, বি সী সী ককচীংগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোহলনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট অদুগা বঙ্কিমচন্দ্র অমসুং কবির অহমদনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি। ঙসি ওকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি মারাদোনা, নিরজ, জুপিতর, অর্নোল্ড, ওলেনজিৎ, গোবিন্দাস অমসুং পরসনি।

# ইন্দিয়ানা বাংলাদেশ থোইখ্রে

ধাকা, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী): বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা চথরিবা হিরো মেন্স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু বাংলাদেশপু পাঞ্জল ৯-০দা থোইখ্রে।

এসিয়াগী মকোক থোংবা হোক্কী শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী দিলপ্রিট সিংহনা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা হেট্ট্রিক ফংখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি জর্মনপ্রিট সিংহ (পাঞ্জল ২), লোয়ননা মন্দিপ মোর, ললিট উপাধ্যায়, অকাশদিপ সিংহ অমদি হর্মনপ্রিট সিংহনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। ইরাই নুমীৎতা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানগা লম্বা তৌনগদৌরি।

# এ এস এস এনা কে আর এফ সীবু ২-০দা থোইখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ববিনা হেল্থ ক্যের এন্দ হোস্পিটেলিটি প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌদুনা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ২৫শুবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিয়ল ৱিন্নর্স কপ ২০২১-২২গী ঙসি শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা এ এস এস এনা কে আর এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা লম্বা মান্নরল্লবসু এ এস এস এগী জর্সি নম্বর ১৭ এম দি ইজাস অহমদনা শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফকী ইকুই কুইদ্রিঙৈ এ এস এস এগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা ইজাস অহমদনা পাঞ্জল ১গসু চল্লগা ২-০দা মায় পাকপা ঙমখি।

# বোদি বিল্ডরশিং থাগৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী বোদি বিল্ডরশিং অমদি কোচপু মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী আশা হোলদা থা অসিগী ১১ অমসুং ১২দা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৫৯শুবা মিষ্টর মণিপুর কন্টেষ্টতা মায় পাক্লকখ্রবা ভোপেন্দ্র (গোল্ড), অরুনজিৎ (গোল্ড), ওজিৎকুমার (গোল্ড), কিরন (সিলভর), মঞ্জিৎ (সিলভর), ওকেন্দ্রো (সিলভর), নন্দজিৎ (ব্রোঞ্জ), সুভাসচন্দ্র (শরুক য়াখিবা) অমসুং বেষ্ট কোচকী মনা ফংখ্রবা ৱাই নিলবিরবু ক্লব অসিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।


## PENSION LOAN

☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।
☞ Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোয়নবীগদবনি।

Please Contact : M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774041523

HL-B/7200/7/10-2/12

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 320

**Nepomniachtchi,I (2626) - Romanov,E (2591)**
**Russia Cup St Petersburg RUS, 2009.11.03**

1.e4 c5 2.Nf3 Nc6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 d6 6.Bc4 e6 7.Be3 a6 8.Qe2 Qc7 9.Bb3 Be7 10.O-O-O Na5 11.g4 b5 12.g5 Nxb3+ 13.axb3 Nd7 14.h4 b4 15.Na4 Nc5 16.h5 Bd7 17.g6 Nxb3+ 18.Nxb3 Bxa4 19.h6 fxg6 20.Nd4 e5 21.Ne6 Qc6 22.hxg7 Rg8 23.Rxh7...

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 319 Ans. :**
27. Bg7 Bg4 28. b4 Be3 29. h3 Rd1 The black rook deflects White's rook away from protecting the square f4. 30. Rxd1 Rxd1+ 31. Kh2 Bf4+ 32. g3 Rd2+ The black rook forks White's king and queen. 33. Qxd2 Bxd2 34. hxg4 Bxb4
27. ...Bg4 28. b4 Be3 29. h3 Rd1 30. Rxd1 Rxd1+ 31. Kh2 Bf4+ 32. g3 Rd2+ 33. Qxd2 Bxd2 34. hxg4 Bxb4 35. Bxf6 a5 36. Kg2 Kd7 37. Kf3 Bd6 38. Ke4 Bxg3 39. Kd3 Ke6 40. Bd4 a6 41. Kc2 a4 42. Kb1 Be5 43. Bf2 Kd6 44. Ka2 Bc3 45. Ka3 Ke5 46. Kxa4 Kf4 47. Bb6 Kxg4 48. Ba5 Bxa5 49. Kxa5 Kf4 50.Kb6 a5
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com